HUEIYEN LANPAO



''মকোক তরা লোঙবা লৌশিংবা রাবন নিংথৌদু তূম্বদা মোন ১০ খাঙইদ্রা? য়াওনবা চেপ্পা মথন্দা অদুম ঙম্মিদ্রা? মাগী ৱাখল খন, ৱাবীবদা অহিং তূম্বদা মঙ নুংঙাইতে ঐদি।''

- জি সী তোংব্রা (পুন্সিদা তাৎ মচা মচাই চন্নফম)

## অহিংদা মীৎকপ থোক্লকখি

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অহিংদা মীৎকপ থোক্লকখি
তাইবঙপালগা ঐগা শমজিন্নরকই
ঐগী ইমা লৈখিদ্রে ।
ঐ শ্বাই লাউই,
মোন ময়াদা মারদুনা য়েংলুই
নুংতিগী ঐনা শীজিন্নবা পোৎ
অমত্তা লেংদনা লৈরমখি,
খেন্নরিবা হায়ববু ঐগী ইমাদি লৈরমদ্রে।
চৎখ্রে মহাক
তাইবঙপাল অসিগী ৱাংমদা
নঙ ঐনা খঙদবা লমদম অদুদা
থাবুম মরি হায়রক্লে
ঙসিসু ইমাগীদমকনি খন্না
শেন্বীবা মপূগী খুয়া খাদা
হৈ-লৈ খরদং ওইরবসু কৎনবা হোৎনরি
অপোকপী মানদি উরমগদ্রা
হৈনম লৈনম অসিবু নন্নগদরা?
লাকখিগনি অরি অনৌ
কুমগী নোংজু, কালেনগী নুংশা
নীংথমগী উলেন
য়েন্নংথা, নাকেন্থা মথং মথং
মহৌশা মাগী মথৌ মঙম কায়দনা
অদুবুনে ইমা নঙদি লাক্লরোই
লোইরে মপোক অসিমগী
অমুক হন্না লাক্লরোই
ঙাইজরিবা নচাশিংগী নাকসিদা।

## অপীকপা ৱাখল থাদোক্লো

**—বিজয় লাই**

শিবা নাইবা মপোক্লি
হিংলিঙৈ মতমদা খুন্নাইগী
অফবা থবক খরদি তৌরম্মু,
কাঙলুপকী, ইশাগী অপীকপা ৱাখল
তুংগী মীরোলগীদমক থাদোক্লরসি।
অফবা ৱাখল খল্লবদি
পূক্লিটং লৈতাবা ফংগনি,
ফৎতবা ৱাখল চেল্লদি
পূন্নমকপু ফনা খনবা ঙমদবনি।
মীচা শিশনু থৌরাংলুনু
ইচা হান্না শিখিগনি।

## হিংমিন্নসি নুংশিননা

**—তোংব্রম শামুঙৌ**

নঙসু মীনি
ঐসু মীনি, মহাকসু,
শোয়দবা লান্দবা ঙমদবা
হিংমিন্নরিবা মালেমসিদা
ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা
অমত্তা ওইনা ঐখোয়
থৱায় পানবলক্তগী অথোইবা
করিনা করিনো খন্থবা ঙম্বা
কনানা কনানো খঙবা ঙম্বা।
শোয়খিবা অমগীদমক
লানখিবা অমগীদমক
ফৈ ফত্তে হায়নদা
অচুম অরান চুমথোক্লদা
মীবু মীনা হাৎনগুমসি
শাহিং চাবগুম চানরোইসি
মীনা শা ওন্নগুমসি।
অফবনা করিনো
ফত্তবনা কদায়নো
অচুম্বা মায়ওন থিমিন্নসি
অমগা অমগা শেমদোক্লসি, চুমথোক্লমীন্নসি
ঐগী ৱাতা তাবীগনু
নখোয়গী ৱাসু তাহনবীয়ু
নুংশিনবনা পাঙ্গলনি
হিংমিন্নবনি, চাউমিন্নবনি লৈশাসিদা,
থৌদোক অমগী ৱাথোক অমনা
ফুরুপ মশেল য়েংথিনবগী
নুংশিনদবগী মৈরি চুগুমসি।
ঐ অমনা শোয়রগা
নঙ অমনা লাল্লগা
ৱাহৌ খঙদা, ৱারোয় থম্নদনা
অশোয় অরান চুমথোক্লদা
করিগী হিংমিন্নরিবশিং নক্লবশিংদা
চৈনা চৈথেং পীরুগনি।
ঐখোয় খন্থমিন্নসি
খৌজেং ৱাদা লানবন্দ শেম্নগুমসি,
নোংমদি তিনখিদৌবা ঙাক্লি
চেন চোংদুনা শান্নমিন্নরিবা
মালেম ইমাগী তম্পাকসিদা
হিংমিন্নরিবা চাউমীন্নরিবা লৈশাসিদা
কনানসু খাম্লুবা য়াদনা।
চুম্লিবরনে মসিবু
মীগা মীগা য়েংথিনরিবা
মীগা মীগা হাৎনরিবা,
হাৎলুদ্রবসু ঐনা নঙ,
মতমদু য়ৌরক্লগা মথন-মথন্তা চৎচখিনি।

## ঐখোয় পাজিনা হায়

**—রন্ধির থিয়াম**

চীংমী-তম্মী ইচিন-ইনাওনি
চীংমীনা ময়াম্বনি, তম্মীনা মনাওনি,
ঐখোয় পাজিনা হায়।
ওইরম্লোই, শুংওই ওইরম্লোই,
ওইরগবু ময়াম্বনা মনাও হাৎকদ্রা?
ঐখোয়না অমুক পাজিদা হায়।
মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ৱারীনি
চীংমীনা চীংথক্তা, তম্মীনা তম্পাক্তা লৈনখিবতনি।
চীংমীনা চীংদসু তমদসু লৈবা য়াই
তম্মীনদি করিগী চীংদা লৈবা য়াদ্রিবা?
ঐখোয়না পাজিদা অমুক হায়।
নাশোন পীক্লা ঙাঙঙুনে
চীংমীনা তারগা ফত্তনা খনখিনিনে
ঐখোয় পাজিনা হায়।
চীংমীনা নপুক ফৎত্রিবা খুফত্তসিগা হায়রুরদি
লোন্নবী ইমাগী মচাগদি ওইরম্বা য়াই
ঐখোয়না পাজিদা অমুক হায়।
তুমিন লৈয়ু, নচিন-নয়া চোইগনু
নবুধৌগী নবুধৌদুবো নখোয়দি করম্না খঙহৌরিবা
ঐখোয় পাজিনা পৈরপ্পা হায়।
ঐখোয়সু নোকই, ঐখোয় পাজিসু নোকই
ঐখোয় লোয়না ফাক-ফাক নোকমিন্নে
অমুক হন্না হায়নররোইসি হায়নৈ।

## তোকঙা

**—কুলচন্দ্র এম**

অহিংবনা অহিংবা থৱায়দা
ওৎ নৈররি লেপ্পাইদনা
তাইবঙ পানগী লানদা।
য়ান্নরি লেপ্পা লৈতনা
অকনবনা অশোনবা য়েংদুনা
তুহৎলি অচুম্বা শক্তুনা।
থম্মোয় কয়াগী থম্মোয়দা
য়েলহৌঙৈ ৱাখল হোংদরি
ৱাবা হৈবনা অৱাবা খাঙদুনা
নোক্লি মিৎয়েংলোই ওইনা
পাল্লি থম্মোয় কয়ানা
ফজবা, নিংথিবা, অচুম্বা।
থৱায়না থৱায়বু ওৎপনা
কুম্মৈ ওইরি হিংবগী
অথোই অহেন তান্নবা
কাঙলুপকী ৱাখল নাপলনি
ওইদবা ঙাক্লা অওইবা
তোকঙানি, নত্তে অচুম্বা।

## লৈবুং মাপলগী ইঙ্খোলনুংসে

**—শগোলসেম লল্লেবী চনু**

ইমা নঙগী ইঙ্খোলনুংসে
লমগী ষণ চঙলক্লেদো
নচাশিংনা থাজরিবা হৈরাং লৈরাং
লাপ্পা য়েংলম্বদগী হেক্তুনা চাররেদো
পায়খ্রে থৌনা মখোয়না
শিন্নখ্রেদো ইঙ্খোলগী চুপ্লী
নচাশিংনা হায়বদা য়াশিল্লক্ত্রে
লমগী ষণনা হৱাই মতোন চাখ্রে
শোমদনা খৎনরেদো লাউনরেদো
ঐনা থাজবনি নঙনা চাহনবনি।
কোয়শিল্লিবা ইঙ্খোলগী লৈবুং মাপলসে
মাগী মাগী হায়দুনা তোখায়রদ্রা
খনবদা মীপাইবা পোক্লরেদো
নচাগী থম্মোয় পূক্লিং ৱাখলদসু
পীবিয়ু থৌনা ইমানা
নচাশিংগী অপূনবা শক্তম মাঙদনবা।

## উখিদরে ইমা

**—চুংখাম রেবতি দেবী**

ইপা ইপু ইবুধৌশিংনা
মতম অমদদি
মনীং তম্না পাইরম্মী হায়দো
মচু তরেৎকী ফিরালসে,
ওহ! নুংশিদা মতমদো
উখিদরে ইমা ঙসিদি ।
মচু তরেৎনা পুনবগুম
মীওই কাঙলুপ পুন্দুনা
ইমানা শেন্নবীরম্বদো
মাঙশিল্লক্লেদো ঙম্নমক।
ঙসিদি হোংলরে পূম্নমক
তোকখায়রগে হায়নরক্লেদো
পূন্না লৈবা পাম্নরক্ত্রেদো
ইমাগী নুংশিবা মাঙশিল্লক্লে
অদুবুনে হান্নগুম ওইহনবীয়ুবা
অমুক্তদি ইমানা।

## ইমা পীরো ঐগী খূৎলাই


**—হাওবিজম সনাথোই দেবী**

কদায় পীরো ইমা ঐগী খূৎলাই
ইখোঙ অসে থাঙদোক্লগে
খূৎলাইগী মতমনি অনৌবা চক
য়াওদ্রবদি খূৎলাই ইশাগী
চৎথোকপা য়াদ্রে মতমসিদা
কদায় পীরো ঐগী খূৎলাই।
ইশানা ইশাবু ঙাকথোকচনবা
য়াওরবদি ঐগীসু খূৎলাই
পান্নবা ঙমগনি য়েক্লবগা
চাং য়েংনগনি থৱায়না লৈরিমখৈ
মতমসে নৎত্রবনি তুমিন্না লৈবগী
হৌবু হৌরক্লবদি লেম্না থাররোই
ঐনা থৱায় থাদ্রিঙৈ
থারম্লগে ঐনা য়েক্লববু হান্না
তুংগী মীরোলদা য়েৎতনবা
নুপা নুপী খাক্তনা পায়রো নশাগী খূৎলাইদো
মতমদুগী ইপা ইপুনা শিন্নবিরম্বা
য়েক্লবা মরু ফুক্তৎসি
ইংনা তপ্না নুংশিননা লৈননবগীদমক
কদায় পীরো ঐগী খূৎলাই
শিন্নবীরো ইমা নচাগী খূৎতা।

# কৈদৌঙৈ লাক্কনি

## (নুংশিবনা হৌরগা কথোকপনা লোইশিল্লিবা উপন্যাস অমা)

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | কৈদৌঙৈ লাক্কনি |
| মখল | ঃ | উপন্যাস |
| অইবা | ঃ | লাইশ্রম মতুম সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী লিতরেরী সোসাইটি |




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

***মীওইবদা*** নুংশিবা হায়বা অসিমতং লৈরমদ্রবা ফনা ৱারমগনি। মসি লৈরম্বগীনি ঙসি মালেম ওইনা লৈরিবা। ফজবসু, অথীবসু, নুংঙাইবসু, অৱাবসু নুংশিবগা মতম পূম্বদা লোয়নরি। হায়নরিবনি নুংশিবা মশক ফজে। ঙসি মালেমসিদা ইনরিবা উপন্যাস অয়াম্বা নুংশিবগী মশক ঙাক্তনি। অদুবু তুক্কচবা হায়বা অসিমসু অচৌবা ঈথিল অমনি পুন্সিদা। পামদবা, তুক্কচবা থমোয়দগী চাউরবা ৱাথোক কয়া থোক্তবা নত্তে। মতাংসিদা ঐখোয় Herbert George Wells কৌবা ইংরাজী অইবা অসিগী ৱা তাবা য়াই। মানা হায়, "Hatred is one of the passions that can master a life, and there is a temperament very prime to it, ready to see life in terms of vindictive melodrama." কয়াদা চুম্না হায়রমখ্রবনো। মোইরাং থোইবীনা নোংবানবু তুক্কচরমদ্রবা মোইরাং লীলা মপূং ফারম্লোই। য়াইরিপোক থম্বালনুনা পর্নামশিংবু তুক্কচরমদ্রবা ঙসি মাবুতা শোন্নরিবসি শোন্নরম্লোই। নুংশিবগা তুক্কচবগা মী অমগী থমোয়দা করম্বনা শাফু কনবগে হায়বসি কনানসু হায়বা ঙম্লরোই। অনীমক উচেক্কী মশা অমমমনি। অমুক্তা উনবদি য়াদ্রবা, অদুবু চেক্লাদুবুদি পন্থুং তান্না পুরিবা। কনখ্রবা ঈথিল ঙাক্তনি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরিবসি ঙসি তুক্কচবদগী পোল্লকপা উপন্যাস অসি পাবা ফংজরুবদগীনি। ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবা ৱারীনি। চহী ৬০ মুক্কী মমাঙগী মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈবা লোক্তাক ফিবান্দা উচন শেম্বা নুংশিবনা থল্লবা ৱারী মপুমনি। অইবা অসিগী পুন্সিনা উরক-তারকপা মতমদুগী খুঙ্গংগী পুন্সি ওন্থোক্লা মরীক চুম্না লৈচন শেমখ্রে। হেক পাবা হৌবদগী লোইদ্রি ফাওবা তোক্লিংদে। তশেংনা অইবগী চহীগা ৱারী মপূম অসিগা পক্লবা মরী অমা শেমগৎপা ঙম্লি। অহানবা খূৎথানি, অইবগী কুইনা নাউপুরক্লবা মচাকনি। মতমদুগী খুন্নাই মিত্তা উরকই। পূক্লিংদা ফাওরকই, খজিক্তং ঙন্না ইবা ওইরম্লবদি ওন্থোক্লা মমল লৈখ্রনিদা।

ৱারী মপুংদি সিনি। নুংঙাই য়াইফরম্বদগী মরাই চায়থরক্লবা ইমুং পরেং অমগী মনুংদা নুপাগী ফজবা লমচৎ অমা অইবনা শেমগৎলকই। মমিং মনি কৌরি। মমা লুখ্রাবীনা য়োকপনি। মনিগী মশাদা অৱাৎপা লৈতে, মাগী দোষ হায়ববু লায়ররুবা অসিতনি। লায়ররবু তুক্কচবা ইমুং অমগী মচানুপী লৈশাবী অমগা থবৎ তৎনা নুংশিনৈ। মদু পাম্মন্দবদগী মমা-মপানা নুপী অমুকসু থিরুরবা ইনাকখুনবা নুপা অমদা থাজথোকই। মদুদা মচন্না শিরগেমখৈ য়ানীংদে। অদুবু উপাই লৈতে। মতমদুগী চৎনবীনা লমকেৎ-লমহাইবী ওইজবা ঙমদনা লুহোংবা তাখি। অদুবু নাপল কারবা ইমুংদুগী লৈশাবীদুগী মবুংনা পামজদবা মনিনি খন্না মমান্নবীগী ইমুংদা চাক্কৌ চাক চরীবী মচনবু চৈনা কন্থদুনা হাত্তোকই। মবুং অদুসু মমান্নবীদুগী মবুংনা তান্নদুনা ছুরিনা থিন্দুনা হাত্তোকই। কয়াদা শাথীখ্রবা শৈহৌনো উপন্যাস অসিগী। অপাবশিং তু চুংদনিংঙাই লৈতে। লাঞ্জদবা মনিদি চীংদা ওজা ওইবা চৎখি। অইবনা মীতৈ পাখং অসিবু লমচৎতা, শাজৎতা, ৱাঙাংদা শাঙাংদা, মহৈদা মশিন্দা অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দে। মীতৈগী থাং-তাসু হৈহল্লি, মহৈসু বি এ লোইহল্লি। মদুসু দিষ্টিঙ্কসন ফংদুনা। অইবগী হৈ-শিংবা খূৎইনা অপাবা খুদিং চীংনুংগী ফজবদা চোকথহন্দে। চীংগী পুন্সি য়েকপদসু ওন্থোক্লা পকচখ্রে। ৱাঙাং-শাঙাং মানখ্রে। চীংগী থমোয় শেংবা মশক থোক্লা ইরি। মদুদা খুল্লাকপগী মচানুপী কিমনুগা মনিগগী ফোঙদোক্তবা নুংশিবা কয়াদা মমল য়ামখ্রে। অদুবু রুঙম কৌবা চীং পাখঙ অমনা ৱারীগী মচু লাকপা ওইনা মনিগী মায়োক্তা লেপ্লকপা মরম চাহল্লি। খম থেংনা থেংনহল্লি অনীমক। অদুবু লান্দবনা জয় ওইহল্লি। মনিনা রুঙম্বু চপ চানা ৱারক্লম্মী। মদুদা খুল্লাকপসু, খুলগী নুপী অঙাং পূম্বা মনিগীদমক লেপখি। অদুবু কিমনুগা মনিগা কায়নরমদাই মিৎকুপ্তুদি থমোয় কায়রোইদৌবা অপাবা মীশক লৈতে। কিমনুনা হায়হৌই, ''ওজা নঙ লাকপা ঙাইরমখোরা?'' মনিসু খুল্লম্মী, ''কিমনু, নঙ ঐবু ঙাইবা ঙমখিগদ্রা?'' পিরোইননা কায়নখি। মনিনা তম্পাক্তা লাকখি, এস ডি সি (লাকপা) খনবদগী অদুন্না।

মসিগী মতুংদি অইবনা ৱারী ঈখায় পীরকই। অতোপ্পা লমচৎ অমমুক শেমগৎলকই। অম্বা কৌবী সনা ঈগী লৈশাবী অমা। মতাং অসিদগীদি মনিগী ৱারী মতেক মতেক মথি ফোংলকপা নত্তনা কয়া কন্না থেংনররোই। অম্বাগী লমচৎসু ফজবনা ময়ুং কারগা কথোকপনা মফেল ওইনা শেমগৎলকই। মপাইবুংঙোনা নিংথেম মচা ওইবগী লৌয়াম চাবা, লৌয়ামদু য়োল্লগা মচানুপী অম্বা অমদি পিক্লিবা মচানুপা রঘুগীদমক শেল চফু, সনা চফু ইমুংদা ফুমদুনা থম্বা উৎলকই। অদুবু মীনা নীংবনা অমা লাইনা তম্বনা অমা হায়বদু অইবনা তাহল্লি। পিক্লিবা অঙাং রঘু গাড়ীনা শোক্তুনা শিখি, মচে অম্বানা বংলাদেশতগী খুন হোংলকপা ময়াং প্রকাশ কৌবা অমগী অপাম্বদা অৱাবা তাহল্লি। প্রকাশ হায়রিবা অসিনা অম্বাগী মপাবুংদগী লৌ পরি কয়া লৈশিল্লি। অম্বাবু ফাদুনা লৌনবা কন্না হোৎনৈ। মদুগীদমক অম্বাগী মমা ইবেম্মগী মৌপ্পা শামু কৌবা অমা খূৎলাই ওইনা শীজিন্নৈ। যুদা লাইচুরবা শামুগী মতেংদগী অম্বাবু প্রকাশনা ফাদুনা পুরগা চীংদা থৈনবা হোৎনৈ। অম্বানা মীতৈ নুপীগী থৌনা উত্তুনা মশা কঞ্জরকই। অদুদা নত্তনা প্রকাশতগী লৌশিংনা মুল্লকপা পিষ্টোন অদুমক্লা শামু অমসুং প্রকাশ অনীমক কাপ্তুনা হাৎখি।

অদুগী মতুংদি উপন্যাস অসিগী মায়কৈ কথোকপরোমদা খোঙ থাংবা হৌরকই। অম্বাগী পুন্সি, মরন-মথুম লোইনা মাগী পাখোন্না মপান থোকখিবা মৌপ্পাবু গাড়ীনা শোকখিবা অদুখক্তা খন্দুনা লৈখি। অদুনা লৈজবা পূম্বা, মপাবুংনা থনম্বা পূম্বা মৌপ্পাগী মিংদা লমজা মচাশিংগী চিন্দ্রেল হোম অমা শানবা লাঙখৎলকই। অদুবু মিহাৎপী ওইরুরবী মানা কুইনা লোত্তুনা লৈবা য়াররোই খঙবনা মনাওনুপী থোকপা চম্পা কৌবী অমদা লোইনা শিন্নরম্লগা য়ূম থাদোকপা তাখি। মাগী মথ্বায়না খোয়দাজবা, মকা ফোংদ্রবসু পুন্সিগী ওইনা খঞ্জবা মনিবু থাদোকপদা তারকই। এস ডি সিগী ট্রেনীং অমা য়াওবা চৎখিবা মনিবু অমুক ঙাইরমদ্রে। চিঠী অমতং ইরগা থনম্লে। চম্পাবু লৌশিনবীদুনা মানা পামজবা তোল্ল-তারবা অঙাংশিংগী য়ূম অমতং শাবদু মপূং ফাহনবীরকউ হায়না, মাবুনা হেক পোকমিন্নবী মচনমক্লি খনবীরো হায়না ইরম্লে। অদুগা অম্বা তপ্পা থোকখি। বস তপ্পা কাখৎখি। মনাওনুপী থোকপী চম্পানা কৌদুনা লাউহৌই - ''ইচে নঙ কৈদৌঙৈ লাক্কনি।'' অম্বানা গাড়ীগী মখোল্লক্তা খুল্লম্মী, ''ঐ কৈদৌঙৈ লাক্কনি খ..ঙ..দরে।'' অসুন্না উপন্যাস অসিগী লামায়সু তপ্পা তপ্পা খুমজিনখি। কয়াদা সস্পেন্স লৈনা লোইশিনখ্রবা উপন্যাসনো? মনিনা তুংদা কমদৌহৌবা? চম্পাবু অম্বাগী ৱাহৈদু ঙাক্লা লৌশিনবীখিব্রা? অম্বানা লাইনীং ওইখিবা মৌপ্পাগী মিংদা হোমদু শাখিব্রা? নৎত্রগা অম্বা অমুক হল্লকখিব্রা? পূন্নমক অপাবশিংগী ৱাখলদা শিন্নরম্লে। নুপা মচা ৱাশক ঙাকপা ওইনা মনিনা কিমনুবু লৌশিনবা চৎখিব্রা? মদুসু ওইবা য়াই, কনানা খঙবা। অইবনা হায়রি, অপাবশিংনা ওইহন্নিংবা ওইহনবীরো। মসিনা তাক্লি, অইবনা কয়াম হৈনা ৱারী লোইশিনবগে হায়বদু।

মসিদা নত্তে, অইবনা খুঙ্গংদা স্কুল লিংখৎপগী, নুপীশিংনা খুল ঙাকপগী সব-প্লোট কয়াসু শাগৎলি। লোইনা ফজে, মতাং চানা চানা। অদুদা নত্তনা মনিগী মপন্থৌগী মচা আশোক কৌবা অমগী লমচৎ শেমগৎতুনা - ''তুরোন্নবা লাই, চারোন্নবা লুই'' হায়বা পাউরৌদু চুম্মী উৎনবা হোৎনরি। মচানুপাদু পোক্তবী মমানা য়োক্কদবগী শরুক নুপী শিখ্রবা তুং নুপী থিদনা লেনবা উৎলি। অমুক্কসু নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী মনিগী মমানা মচানা মী ওইদ্রিবা ফাওবা চরা নাম্মতা চাদুনা খাঙলকপা ওন্থোক্লা মঙ্গলগী মশক্লি। মীতৈ নুপীগী ফজবা লমচৎ তাকপনি। অমুকসু মনিখোইগী খা থংবদা লৈবা আমিন ওইরম্বা শাগৈগী অহল অমগী লমচৎ য়াম্না ফজনা য়েক্লি। মনিখোয়না পাবুংহল কৌজবা মচা শেম্বা শোয়খিবগী মৈচাক পুবা অহলনি। লোইনমক মরম চারি অইবগী লমচৎশিং।

অইবা অসিগী দেস্ক্রিপসনগী মতাংসু য়েংবা য়াই। মহাক্লা কিমনুগী ফজবা থারকপদা অসুন্না হায়রি, ''কিমনু অসি উদ্রিবা মীনা অমুক্তং উবদা মিৎ কুপ্পা পাম্মুরি/ৱাং চাউরবা মাগী ফিভমদা পাল্লবা মায়থোংনি/পাল্লবা মায়থোঙসিদা লাউরপ তৌবা মিৎনা লৈতেংলি/লাউরপ তৌবা মিৎস্নাসি, থরাইকোকপী মমিৎকুম মুনা লংবা মিৎস্নানি/মুরবা মশম্না নীংথিবী নিংজোন লান্থবীনি/খজিক মোমোন মীনোক্তা, লংলবা য়াতোন উবদা, কপ্পা নোকপা কাউনবীনি/উনিংমন্দুনা য়েংলিঙৈ খোঙফম শোয়দুনা খুদিনদুনা তুবা কয়ানি।'' কয়াদা ফজনা থাখ্রবা মুর্ত্তিনো। য়ামখ্রে, উপন্যাস অসিগী শৈথানিংবদি। অদুবু য়াদ্রে। শম্না হায়রবদা উপন্যাস অসি পাবা য়ারবা অমনি। শিজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা, প্রমান-পান্থে মরীক চুম্মী, খুঙ্গংগী মশক্লি। লৌবা য়াবা পাউরৌ কয়াসু য়াওরি। অদুবু লাইরিক অসি উপন্যাস অমগী পাদম লাক্লকপা তারবদি হায়নীংবা খরদি লৈরি। আর্টিষ্টিক ৱর্ক অমনি হায়বদি খরা নৌনা থোক্লি। খজিক্তং মরৈ মুন্না প্লোট শাগৎলম্লবদি ওন্থোক্লা ফজখ্রনিদা, ওন্থোক্লা নুংশিবা ৱারী মপুম অমা ওইরমগনিদা শোয়দনা হায়নহৌগনি অপাবশিংনা। য়াঙলেন শরূ অনী পানবা, প্রোটাগোনিষ্ট অনী থোক্লকপা, মনি অমসুং অম্বাগী ৱারী অনী শমজিল্লকপদা শোক্তক তাবা নীংঙমহৌদে। কিমনু মফম খঙদনা লংথোক্লম্বা, মনি মশুং লাংগী মবুংগী খূত্তা মথ্বায় থাখ্রবী আশাবরীগীদমক মনিনা করিসু তৌরুদ্রবসু মৈচাক পুবগী অমদি মখোয়নীগী নুংশি লম্বী ফ্লাস বেক উৎতুনা অপাবশিংদা মপূং ফাবা পাউদম অমসু তমহন্নীংবা লৈরি। পূন্নমক অসি ওইদুনসু ওজা মতুমগী 'কৈদৌঙৈ লাক্কনি' উপন্যাস অসিমদি নীংশিংদুনতা লৈহৌরগনি অপাবশিংনা।

# 'লৈখোম লৈরিক্কী ৱাহৌ'

## হিন্দীদা ইবা মুন্সি প্রেমচন্দগী ৱারীমচা 'মানসরোবর-২'/মীতৈলোন্দা ঃ লৈমপোকপম বেদান্তী

***অয়ুক*** ঙন্তা ইরু-মায়থজরগা, লাই খুরুম্লগা, চন্দন-চৱা লংত্রিক লংনা থিল্লদুনা, নাপুমচুগী ফিজোল শেৎলদুনা, মখোঙদা খুরুম তোংলদুনা, নাকলদা লাইরিক য়েপ্লদুনা, মখূৎতা সুগ্রিক পরেং অমা পায়রদুনা ঐগ্যাদু মাগী জজমানগী ময়ূম তম্না লাক্লি। লুহোংবগী নুমিৎ লেপ্পরুদৌরিবনি। পৈশা য়াম্না ফংগদৌবা মফমনি, অদুগীসু মথক্তা অচা-অথক ময়াম অমা। ঐগ্যাবু পীজবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে, পৈশাগা পায়জদবা মীদি ঐগ্যাবু চেবাউ পীবা ঙম্বা জাৎ নত্তে। মাগী চরা অমনা ইমুংদুগী থা অমগী চরা শিনগদৌরিবনি। ঐগ্যানা তিন্নরিবা ইনাকখুনবা, শেঞ্জাও পায়বশিংদি মাবু মশক নিংথিনা খঙবনি। মখোয়দি হাপচরক্লে ঙাক্তনি মানা চাবা ঙমজদবনি। মাবু পীজবদা মমিৎ খিত্তং শুক্তোক্লবদি চাবীবকা নত্তে। মানা পামজরিবসি মখোয়না বালুশাহী অমত্তং হাপচরক্লে কায়না হায়জবা অদুগা মানা য়ারে, য়ারে কা হায়দনা খূৎ খনবা অদুনি।

অহিংদু নোং ফজনা চুখি, লম্বীদা, মচি-মচিদা ঈশিং তুংদুনা লৈ। ঐগ্যানা ৱাখল অমদা লুপ্তুনা চৎলিঙৈদা কার অমা জিরি-জিরি থৌখ্রি। লৈরিক্তু মায়দা, মিৎতা, ফৈজোমদা পুমচোৎ চোৎলে। ওন্থোকপনি ফিসু, হকচাংসু মোৎলে, পৈশাসু ফংলরোই গাড়ী মপুদু ফারম্লবদি পূন্নমকসি হায়রগা মাগী মতিক খঙহনলমগদবনি খল্লি। মা মথ্বায় নুংঙাইত্রে, ফীভমদুদা করম্না জজমানগী ময়ূমদা চৎকনি, য়ূমদা হনগদবসু মাইল অমমুক লাপথোরক্লে। অউবশিংনা মাগী ফীভমদু উবদা নোক্লি, মা অসুন্না অমুক্তা তৌখিদ্রি। হৌজিক করি তৌনি, য়ূমদা হল্লগা থৌরানিদা করি হায়রুনি?

ঐগ্যানা তৌগদবা থবকশিংদু খুদক্তা য়াথোক্লে, লম্বীগী নাকলদা তারম্বা নূং তরা-কুন খুনজিল্লে অদুগা অতোপ্পা গাড়ী অমা লাকপা ঙাইরে। মিনিট তরামুক লৈরগা কার অমা লাকপা উরে। ওহ! ঙসাইগী কারদুমক্লি। মপুরোইববু ষ্টেসন্দগী লৌরুরগা হল্লক্লিমাল্লে। খরা নকশিল্লকপদুদা মানা নূং অমা পায়দুনা লৈজবী থাদুনা কন্না থোল্লম্মী। সাহেবকী তুপীদু পায়থোকখিদুনা লম্বীগী নাকলদা তাখ্রে। কারগী খোঙচৎতু তপথরক্লে। মানা অমুক্কসু থাই, কারগী মিংশেলদু পুমতোয় তোয়রে, সাহেবকী মমায়দসু মিংশেল মচেৎনা পান্দুনা শোক্লে, ঈ খরা থোক্লে। কারদু খাম্লে, সাহেবতু কুমথরক্লে অদুগা ঐগ্যাদা খূৎতুম শিংলদুনা হায়রকই - ওক্কী মচা, ঐনা নঙবু পুলিসতা শোয়দনা ফাহনগনি, ''মাগী ৱাদু তাবদা ঐগ্যাদু মাগী লাইরিক্কী ময়োমদু লৈবাক্তা থম্লে অদুগা সাহেবতুগী মখ্বাংদা কোল্লগা লৈনাং তুংবা কোংকুৎতুদা লংশিল্লে, মানা অমুক হৌগৎলকপদা মমায়দা খুবাক্লা শেৎ-শেৎ অমুক থারে - সাহেবতু মমিৎ-মনা তন্দন পায়রে। তাঞ্জাদুদা মাগী লোয়নবীদু কারদগী কুমথরক্লে। খুনিং ৱাংবী খোঙউপ, অপাবা সাড়ী, মায়দা পাউদর, মচু শংলবা চিনবাল, পিশুমসু য়েক্লি, মানা ঐগ্যাদা ছাটিন্না কনবা হৌরকই। ঐগ্যানা সাহেবপু ইন্থোক্লগা চৈ পায়দুনা হায়রকই - দেবীজী, নুপাগী থবক্তা খূৎ থিংজিল্লক্কনু, শোক পনবা য়াওরবদি কয়া নুংঙাইরোই। তাঞ্জা ফংলবদুদা সাহেবতু হৌগৎলক্লে অদুগা বুট তোংবা মখোঙদুনা ঐগ্যাদা কাওবা হৌরকই। ঐগ্যাদু খুকউদা খরা শোক্লে, মানা শাউনা চৈদুনা সাহেবকী খোঙদা থোম্বদা উজাও তুবগুম্না তুথরকই। মেম সাহেবনা ছাটিন্দু পায়দুনা ঐগ্যা তম্না চেনশিল্লকই অদুগা মানা ছাটিনদু তপ্পা মুল্লগা লংথোকখ্রে। দ্রাইভরদু ঙসাইদগী গাড়ী মনুংদা ফল্লি, মাসু কুমথরক্লে অদুগা মাসু চৈশুদু পায়দুনা ঐগ্যা তম্না ফুনবা চেনশিল্লকই। ঐগ্যানা মঙোন্দা চৈদুনা অমুক্তং কনবদা মা হনখ্রে। কুম্মৈদু য়েংবা মীয়াম অমা থোমজিল্লক্লে। সাহেবতুনা লৈবাক্তা তুনা-তুনা হায়রকই - রাসকল, ঐনা নঙবু পুলিসতা শোয়দনা ফাহনগনি। ঐগ্যানা চৈদু অমুক পায়খৎলগা মকোক্তা থোমগে তৌবদা মানা মখূৎ লোন্নরদুনা হায়রকই - নত্তে, নত্তে ঐ পুলিসতা তাক্লরোই, ঐবু ঙাকপীয়ু। ঐগ্যানা হায়রকই - পুলিসকী ৱা পল্লক্কনু, নৎত্রবদি নকোক শোয়দনা কায়জনি, ঐবু থা তরুক মীয়াৎ তাহনবা য়াই অদুবু নহাক্কী নরমচৎতুদি শোয়দনা চুমথোক্কনি। কার থৌবদা লৈখোমদা থৌজিন্দুনা লৈখোম তৈশিল্লে, নঙক ইহায় হায়গৎলদনা, নাক-য়েৎতা কনা চৎলি হায়বসু য়েংদে।'' মীয়াম মরক্তগী অমনা হায়রকই - অশেংবনি ঐগ্যা ইবুংঙো, কার থৌবশিংসিনা খঙনা খঙনা লৈখোমদা থৌজিল্লগা মীঙোন্দা লৈখোম চোঙহনবনি, মীনা লৈঙোক তৈবদু উরগা মখোয়না কুম্মৈদৌনা নোকপনি। নহাক্লা ঙসি তৌরিবসি য়াম্না ফরে। ঐগ্যানা সাহেবতুবু কৌরদুনা অমুক হায়রকই - তারেদনা, মীয়াম্না হায়রিবসি? সাহেবতুনা নুপাদুদা ঙাংশঙ ঙাংলবা মমিৎতুনা শংদোক্তুনা য়েংলগা হায়রকই - নঙনা হায়রিবদু অরানবনি, মীনম্বনি। ঐগ্যানা হায় - হৌজিক ফাওবা করিমত্ত হন্দ্রিনে, লাকও-লাকও অমুক্কা কল্লুরা?'' সাহেবতুনা য়াম্না কিনা - নত্তে, নত্তে অচুম্বনি, অশেংবনি। য়ারব্রা? মীয়াম মরক্তগী অমনা অমুক হায়রকই- হৌজিকপুদি কিবদগী পংহায় হায়জিল্লি। কারদা হেক তোংখিবগা পূন্নমক কাউখ্রগদবনি, মশাবু নিংথৌ মচানি হায়না খঞ্জবনি। অমনা অমুক হায়রকই - মশাগী মতিন শিৎলগা লেকউ হায়য়ু। অমনা অমুক নত্তে, নত্তে মনা পায়রগা ফম্মু-লেপ্পু তৌহল্লু। অতোপ্পা অমনা অমুক হায়রকই - দ্রাইভরসিসুনিনে। মখোয় লোয়নমক চপ মান্নবনি, অফবা অমত্ত য়াওদে। ইনাকখুনবনা তৌবনা তৌবনি। মাদি মতিক মগুন কয়াম লৈরদনা। মখূৎতা কারগী অকোয়বসি হেক পায়খিবগা মীগা অমত্তা মশক উখিদে। ঐগ্যাদু ময়ামগী খোল্লাউদু য়ারে। সাহেবকা দ্রাইভরগনা মনা পায়রগা ফম্মু লেপ্পু তৌবা অদুগা মেম সাহেবনা মশীং থিবা। তারিবরা মেম সাহেব, চামা পুরা থিগদবনি ৱাৎপদি য়াদে হেনবদি য়াই।

মী অনী চঙদুনা সাহেবপু চিংখৎলে, অনী অমনা দ্রাইভরদুবু চিংখৎলে। দ্রাইভরদু মখোঙদা খরা শোক্লে অদুবু মানা ফম্বা-লেপ্পা হৌরক্লে। সাহেবতুসু অঙকপা মী মখল অমনি, লৈবাক্তা অমুক হিপথখ্রে অদুগা করি করিনো খরা ঙাঙলি। মতমদুদা ঐসি অশাউবা হায়বা লাইদুগী শক্তমনি। ফম্বা-লেপ্পা চাম্মা হেক শুদ্রিবা লেপহল্লরোই হায়বা লেপখ্রবনি। মী খরদা কারদু মখাদা ইন্থখিনবা হায়রে। হেক হায়বগা মী য়াংখৈমুক্লা কারদু ইন্থনবা হোৎচিনখ্রে, লম্বীদু য়াম্না ৱাংই, মখাদা হেক তাখ্রবা অদুম তোয়রবনি। কারদুনা লম্বীগী মতাই হেক য়ৌরকপদা সাহেবতুনা লাউরকই - ময়াম কারদুদদি থুগাইবীগনো, ঐ ফম্মু-লেপ্পু তৌজরগে। ঐগ্যানা মীয়ামদু হন্দোক্লবা হায়রে অদুবু মখোয়না তাবা কৌবা লৈতে, কারদু ইন্থনবা হোৎনবদা মখোয় নুংঙাইবা অমা ফাওরে, মমৈথংদা ঐগ্যানা চৈ অমা পায়রদুনা মখোয় তম্না হোৎচিনবা মতমদদি মখোয় কায়দুনা চেনখ্রে। ময়াম্না কারদু হুন্দোক্লম্লগা চেনখিবদু উবদগীদি সাহেবতু হৌগৎলক্লে মমিৎ উইশিল্লগা ফম্বা-লেপ্পা তৌবা হৌরক্লে। তরামুক শুরকপা অদুৱাইদা মেম সাহেবতুদা হংই- কয়া শুখ্রে? মেম সাহেবনা য়াম্না থৌৱা শাদনা পাউখুম পীরকই-ঐ মশীং থিদে। 'অদু ওইরদি সাহেবসি নুমিৎচুপ্পা অমা ফম্মু লেপ্পু তৌহল্লনি, ঐদি লেম্না থারোই। শোয়দ ঙামদনা নয়ূমদা হন্নিংলবদি মশীং থিয়ু থাদোকপীগে। মানা হায়রিবসি পাঙথোক্ত্রবদি অৱাফমদা তাবা শোয়দ্রে হায়বসি সাহেবতু খঙলে মানা মথন্তা থিবা হৌজরকই- অমা, অনী, অহুম...।

খঙহৌদনা অতোপ্পা গাড়ী অমা লাকপা উরে। মদু উবদা সাহেবতুনা হায়জরকই - ঐগ্যা ইবুংঙো, ঐবু ঙাকপীয়ু, ঐ কারদা অমুক হন্না তোংজররোই। ঐগ্যাসু মাগী মতৌদু উবদা নুংশিবা অমা ফাওরক্লে - হায়রক্লে - গাড়ী তোংগনু হায়বা নত্তেনে, গাড়ী তোংলগা মীবু মী ওইনা উ হায়বনিনে। অতোপ্পা গাড়ীদুসু কন্না থৌরক্লি, ঐগ্যানা হায়ফেত্তং ইঙ্গিৎ তৌবদা নাকলদা লৈরম্বা মী অমা অনীনা মখূৎতা নূং পায়দুনা লৈরে। গাড়ী থৌরিবদু গাড়ীগী মপুনি, মানা গাড়ীদু তপ্পা থৌরগা মফমদুদগী নাম্থোকখিগে তৌবনি। ঐগ্যানা চঙশিল্লগা মাগী মনাদু পায়রুরে অদুগা মখজায় অনীদুদা খুবাক্লা অমুক অমুক থারগা হায়রকই - গাড়ী থৌবদা লম্বী চৎপা মীদা লৈখোম চোংহনগনু, তুমিন্না চৎখ্রো, চৎলু। নুপাদু ঙাঙদুনা অদুম লৈরে অদুবু মী খরনা মখূৎতা নূং পায়দুনা লৈবদু উবদা ৱা মখা তাদনা তুমিন্না থৌখ্রে। মানা চৎখ্রবা মতুং মিনিট অমগী মতুংদা অতোপ্পা গাড়ী অমা লাক্লে, ঐগ্যানা মী য়াঙ্খৈমুক্তা লম্বী থিংনবা য়াথং তাউথরে, গাড়ীদু খাম্লে মাবুসু খুবাক খরা পীজরগা থাদোকখ্রে, মা য়াম্না ফখ্রবা মীনি ৱা অমত্তা ঙাঙলমদনা চৎখ্রে। খঙহৌদনা মী অমনা লাউরকই - পুলিস লাক্লে। মদুদগীদি মফমদুদা লৈরম্বা মী খুদিংমক স্বাই মাঙখ্রে, ঐগ্যাসু অৱাংবা লম্বীদগী কুমথরক্লগা লৈরক অমদা ফাওজিল্লগা লাক্লে।